"মৈতৈসু চীংমীশিং অসি নত্তনা মীরক তিনবা ঙল্লোই, চীংমীশিংগীসুনি।"
- হিজম গুন (লমন)

# শৈরেং

## শেঙদোক্লখিবা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

শেঙদোক্লন্দবা অদুনা
কাইনবগী মচাক ওইখি
মহাক ঐহাক্কী
মরী অদো।
পাউখুমসু ফংখিদ্রে
চেংলৌ শক্তমসু উখিদ্রে,
কাইনখিবা হায়বদো
অদুম ওইরে।
কুইরবগী তুংদা
ঐগী অশেংবা ৱারী'দুবু
কনাগুম্বা কনাগুম্বী
অমদগী তারুরগা
অমুক শেঙদোক্লখি।
মদুমক্না মা ঐগী
মরী অদো অমুক নৌনা
নকশিনবা হায়বদো ওইখি।

## লোক্তাক লাইরেম্বী

—ডা. অকোইজম ইবোহল

ইবুধৌ থাংজিং কোইরেল্লাই
চীংঙু মহাক্কী মশাইকোন
নীংথিজরবা শকয়েং মিংশেলগুম
তোমথিন ঙাল্লিবা লোক্তাক পাৎনি
চাউথোকচনীংঙাই ওইরিবী শক্তমনি
মণিপুর সনা লৈবাক্কী।
পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরবা
পুরেম্বা ঙাংখলৈমগী মপারি
লায়রবা মচা খম্বগা
চীংখুবগী মজাইবেম্মা থোইবীগা
লোক্তাক নহাক্কী নতম্বাক্তনি।
থাঙ্গ, করাং, সেন্দ্রা ঈথৎশিংনা
থোইনা হেন্না মগুণ হাপ্লীবীনি
লাইজ নহাক্কী ঈমায়থক্তা
কোইরপ কোইরপ শক্লোন লৌ
লুপ্লপ লুপ্লপ তাওরিবা
ফুমদিশিংনা কোঙ্গেন থিল্লিবীনি।
কৈবুল লমজাও ফম্বাকথক্তা
শীংমুৎ কম্বোং মরক্তা
মালেমদা অনী শুদ্রবা
য়ারৌ সঙাই শকহেনবনা
কেকু লোৎপী শান্নজবদি
কয়াগী মতিক পূক্লিং হুরিবা।
চাংজৌ নাইদ্রা নঙগী ঈরোলনুংদা
ইরোইজরি পেন্না লেপ্লে ঙানা
পাৎপান্দা খুন্দা লৈতারিবা ঙামীশিং
পীনবিরি লোক্তাক লাইরেম্বী ইমানা
ৱাত্ত-পাদবা পুন্সি মহিং
নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়বা।

## নোটিশ

—রোমি তখেল্লম্বম

ময়ূম পাল্লু শুকয়া য়াদবনি, নুপী মরক্তগা মতোমতা
মীৎনা কন্না য়েংলক্তে মচেমশিংনা, তোম্পোক
চমপ্রা ওকপী তারমদৌ শম্নাদনি কলহৌরিবা
য়েৎনা-ওইনা য়ামসু য়ামখ্রে, মৌ হল্লকপীশিং
উচিন নাচিন লুহোংলে, মীশোন তোম্পোক।
মঙানি চক্লৌ নোংঙানবগা, ইমান্নবীশিং চাক চরদৌরি
নোই হান্না চাথোক্লে, ঐখোয়'নিগীদি য়ারনি হাপ্লরনু
থুংলখিবা মীয়ামদু য়াম্না খঙনা কাখৎখি
হংলমদে ৱাহং অমা, কদোমদনো মখোয়গী কা
ঙকচানখি য়ূমগী মীপূম খুদিং, ওল্লক্লিবা খোঙচৎ।
হায়স্কুলগী, হায়র সেকেন্দরিগী, কোলেজগী
তোঙান তোঙানবা বেটচ কয়াগী, গেদরিং প্রোগ্রাম
নুংঙাইরে নিংঙোলশিং, ওল্লে শক-চু অতিথি সেবাদা
মচিন্নে-মখানে নাম্বোকপগা ঙমজখিদ্রে, নিংঙোলশিং।
য়াহৌ থেংলপ হৌগৎলা, গাড়ী থৌরা মচৎখি
পুশিল্লকই অনৌ অতেক, মীৎ পেলহল্লি
মচিন মখা দোরো দোরো - শোন্নৈ লৈকায়দুদা
ফখ্রেদকো মোয়গী লাক্লিবা মৌসে
মীকৌ মীরাক্না ফরিবা, মথুন ময়া য়াংখ্রে
মহাক্না শীনবনি - হয়েংগী পিক্লিকসিসু।
লৈকায় থুংই নিংঙোল চাক্লৌবগী দখিনা
চৈরাওবগী খুদোল শিন থুংই, অনকপা অরাপ্পা
কাং পাল্লি মকোক থাই, য়াওশঙগী হল্লি ফাংজিন্নৈ
চেবাউ ফংই, মমিং চৎলি নুপাদু সঙ্কির্তন ময়ায়দা
শেল থাবদা মকোক থাই, থৌদোক ৱাথোক লেপ্পে।
করিগুম্বদসু...
মথৌরুই চেবাউ তৌরক্লবা, অকে অমৌগী ওইরদি
শঙ্গাবা নুমিৎ লেম্না থাদে সোপ্পিং মোলশিং
অথুম অহাও থৌরাংলক্লবা, চৎখি অঙাংগী মিংদদি
হঞ্জিল্লকপদা ঙাজাওগী খোইচাক্লাং, শিন্মীশিংগী।
মীয়ামগী ইকায়খুম্নবা মাঙখ্রে, য়ূম্বুরেম্বদু
চাওখৎপী নুপী লাই ওক্করুবদা লাইচুখিবনি
ঐগী নুপীনা চাওখৎ লমজেল মাঙজিল থাবীনি
চম্না মহৌশাগী পুন্সিরোলদা লেঞ্জরক্লবা
মচল মচে মীরায়নরুবনি, নমশিন্দুনা কাখু'মদা।
লোন্না চারুবগী মহয়, মপান থোরক্লে, পুংজাউথিল্লে
নোং হেক ঙানবদগী পরেং লেংলরে শেনবুশিং
পাম্বে লৈত্রে অরোইবদা, নমদুনা খূৎয়েক পীহল্লে
শোল্লবা অহল ওইরবা মপা, মচে-মচল পূন্নমক।
মতম খরগী তুংদা চিঠি অমা থুংলখি, মপাগী মিংদা
মচল তোন্দাংনা রিশিপ তৌহৌবনি, হাংদোক্লুবদা
উরে...
'নোটিশ' অসিনা মরম ওইদুনা খঙহঞ্জরি,
মদুদি লাক্লিবা তারিখ ...
য়ূম অসি ভেকেট তৌবীগদবনি।

## পুল্লরে লোকসিদা

—রাজকুমারি মীনা

স্বর্গদগী তাম্হোরকপীরক্লবা লৈফম লৈত্রবা
মখোয়গী শরুক লোইনা মুনবীখ্রবা
হীংচাবা পূন্নমক পুল্লরে লোকসিদা
শিন্থুংনা মালেমদা মীওইবগী
মশক-মমিং কয়া কয়া থোন্দুনা
লৈররে মীরক্তা মীগী শক্লোন ওইনা।
তৌররে হীংচাবগী থবক্তা তত্তনা
লাইগী মাঙনবা লাইগী ফত্তনবা
লাইগী মপাঙ্গল হাপ্লনবা মচিঞ্জাক পীরিবা
লাইদা অথেনপোৎ কারিবা,
ঈরাৎ-চবান পুজা, হোৎনরক্লে মুথৎনবা মাঙহন্নবা
শন্দোক্লি ঙাঙলি, হায়রি ইরি তত্তনা
অরান খুভম ফংবা ঙল্লোই পুজানা
অরেম্বনি অরেম্বা পুজা, মৈদা ঘী হৈবা।

## মতম মতমগী ৱাখল

—নরেশ লাইময়ূম

লাংবন থাসু লোইখ্রে
মেরাগী থানা হৌগৎলক্লে
পারি পুরিগী হৌরকফম
হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইমাগী
হরাও মথোই কানা থা
মৈতৈ পোইরৈ লমদমগী
থাপ্লা লৈবা নিংঙোলনা
মপাম লমদম নীংশিং থা য়ৌরক্লগানি
শোয়দনা মরকসিদা
খল্লিবদি মণিপুর সনা লৈবাকসে
হিংনা হিংনা মাঙখিগদ্রা খনবদা
ইরমদমগী হৌরকফম
পুৱারীগী হৌরকফম মাঙখিদ্রা খন্দুনা
মীকুপ অমত্তা লৈতাদনা
খল্লিবনি ঐগী ৱাখলনা।

## হো তাদা পাউচে য়োনবা তাদা

—কে মেমা

হো তাদা পাউচে য়োনবা তাদা
পুকচেল শেংনা লৈবাক্কী থৌগল তৌরিবা
নোংজু নুংশা খাইদে, নীংথমথা লৈতে
বন্দ-ব্লোকেদ চঙদে নহাক্কী নফমদদি
কোরোনাভাইরস কিরবসু কিনা
ইথৌ পাঙথোক্কদবনি খল্লিবা
নঙগী সাইকল কোদ্রোকপা
মনীং-মমাঙ মখল শুনা হাপ্লি পাউচেতনা
নোং ঙাল্লকপগা ঙাইরি নঙতবু খৌরাংনা
খূত্তা চা কপ পায়দুনা নঙগী পাউচেগী মহাউ
কয়াদা নুংঙাইহল্লিবা নুমিৎতুগী পূক্লিং লৌশিং
খল্লি নহাক্না, তোল্লিদা ঐহাক্কী পুন্সি
নোংমতা পোখাবা ফংজদে হায়না
অদুবু ঐহাক্নদি খল্লি, নঙমুক পুকচেল তিংনা
লৌথুপ লৌকোই লৈতনা মীয়ামগী
লৈবাক্কী থৌগল তৌরিবদি নহাকনি
ঐমুক তোনবা, ঐমুক লায়রবনি খল্লিবা
তাদা নঙগী নগুণ, শোয়দনা নোংমদি
শক্লা শোন্নরকখিনি, কল্লকই তাদা
অশেংবা লৈবাক্কী, মীয়ামগী থৌগল তৌরিবদি
পাউচে য়োনবা তাদা নহাকনি।

## থম্মায়খ্রবা লাইচুরবা ৱাখলশিং

—বি মঙাং

ঙাঙলিবা লাওরিদুদি চুম্মিবা!
রেদিও, টেলিভিজন্দা, নিতিগী
থম্মায়খ্রবা লাইচুরবা ৱাখলশিংদু
চুমথোকপা ঙম্লরোইদবা লম্বীদুদৈ
কনানা হৈনা তুং ইনবীগনি।
অনৌবা শকখঙদবশিংদো!
পুখ্রি তৌরি, মীতিনফম শারি,
খোংবাল লুক্লাং কোৎলি।
মীয়ামদা শক তাক্লিবনি, তৌরিদু
হান্নগী শক্তি পায়খিবদুদি!
উচি মখুল চঙখরে, লোৎখ্রমানে।
মীখল মতম ৱাৎলি তৌরিনিদা
কোয়লাস থারিসিদি লৈরক খুল্লক
থবক তৌই হায়নবা, ভোট ময়াসিদা
থিকাসু মানা তৌদোয়নি, তৌরিদুনি
মন্ত্রি ওইহৌদ্রে, অদুননি।
কৈথেল নংনবা কয়ামসু থোরক্লে
ভোট ময়াসিদা শকখঙদবা কয়া।
শক্তি পামদুনা চহী মঙাগী
পূন্নমক অরেম্বনি, লোয়নমক!
অপাম্বশিংগী অপাম্বদু পীরুদ্রদি অরেম্বনি।
অদুসু মীরেপ খুদিংমক্তগী
মীখল মমাঙদা, নুমিৎতা
হাওসি টিকেট কক্কুম্বনি
নৎত্রদি খন্নবা য়াওরোইদোইনি
মদুদা লোইনা কাউখিদোয়নি
থবক তৌবা তৌদবা খন্নররোই
খঙহৌদবা ঈশিং ঈচাওগুম্বনি
কনানসু থিংবা ঙম্মরোইদবা।

## খঙবগুম তৌই

—ইরোম মোবি

ভোট থাদনবগীদমক অমুক্তা
শেল লৌদ্রি
চাক চরা অমফাওবসু চাদ্রি
মশাগী হক অমুক্তসু য়োন্দ্রি।
মীনদি মাবু অপংবনি
মতমসিগা চানদবা
আউট দেটৈদ ওইরবা মীনি
হায়।
মী অমতংনদি
মাগুম্বা ঙাক্তা ঙাইরবদি ফদৌনিসু
হায়।
ঐগী মাগী নুংঙাইবদু খঙবগুমসু
তৌই।

মতম মতমগী ৱাখল

# ঐ মন্ত্রি ওইগনি

ইম্ফালগী রুপমহল থিয়েটরনা থাংজ খূদিংগী চাং নাইনা ড্রামা উৎখিবা মতম অমা লৈরম্মী। থাংজ নুমিৎতা শান্নগদবা ড্রামা অদুগীদমক মাংজৌননা রিক্সোদা মাইক পান্দুনা লাওবা চৎখি। মাইকতা লাওবা অদু তাবদা য়াম্না নুংঙাই। লাওরিবা অদু কনাগুম্বনা তারবা, মহাক্তো শোয়দনা রুপমহলদা হাইগৎলগা টিকেৎ কক্তুনা থাংজ নুমিৎকী রুপমহলগী ড্রামা য়েংবদি শোয়দ্রে। লাওবা য়াম্না হৈবা মীশক অমনা মাইক পাল্লগা পব্লিসিটি ওইনা চৎখিবনি। থাংজ নুমিৎকী ড্রামাসে নুংঙাইবা ঙাক্তনি। টিকেৎ ফংনখিদে। অপঙ খুঞ্জাউ, লৈকংদা ইরাক্লবা, বর ইন্টরয়িভয়ু, ঐ মন্ত্রি ওইনি, ইচাশা ইপা লম্বোইরগে, তঙাং মহাজন্না তুবদা অসিনচিংবা নুংঙাইবা লীলা কয়ানি। রুপমহলগী 'ঐ মন্ত্রি ওইনি'হায়বা ড্রামাদুদা সাইখোম যাদু কৌবা করেক্টর অমা ওইনাম বীরমঙ্গোলনা শাখি। ওইথোকপা য়াবা, ৱাখল খন্নিংঙাই ওইবা, মতমগা চান্নবা নোক্লিং লীলানি। ড্রামা অদু ঙসি নীংশিংলকখি। 'ঐ মন্ত্রি ওইনি' হায়বা ড্রামা অদুনা ঐগী ৱাখলদা চঙখিদুনা অনৌবা ড্রামা অমা ৱাখলসিদা অমুক হৌজিক তপ্না তপ্না চোংথোকলক্লি।

লৈবাক নীংবা হায়বসি মাগী মাগী পোক্লফম মরমদম অদুবু মশক খঙবগা লোয়ননা মিংচৎ পুরক্কদবা থবক তৌবা ঙম্বা অদুনা ওইগনি। মরমদম নুংশিবগা মমা লৈবাক নুংশিবগা অনীসি হেক তাবদা অমত্তা ওইবদি মাল্লি। মরমদমসিনা খর পীকশিন্না উব্রা? হৌজিক লাক্লিবদি, লৈবাক নীংবা মীসি কনা কনানো? লৌমীদি মরৈবাক নীংদ্রব্রা? শুরগা চাজবা মহাক্তি মমা লৈবাক নুংশিদ্রব্রা ? মরৈবাক নীংবা, মরমদমগী খনবা মী হায়বা অমা তোঙান্না লৈগদব্রা? লৈরগদি মহাক্না চেনগদবা মতীক মঙাল অসি করিনা ওইগদগে ? ঐগী ৱাখলগী অনৌবা করেক্টর ওইরিবা সাইখোম যাদুনা ৱাহংসি হংদুনা অদুম লাকখিবনি। মহাক্তি মরৈবাকসু মরমদমসু অনীমকসি পূন্না নুংশিবা মীশক ওইরি।

সাইখোম যাদুনা ঙাঙবসি তাবা নুংঙাই। মতম পূন্নমক্তা মরৈবাক্কী মরমদম চাউখৎপগী ৱাতমক ঙাঙঙি। ৱা ঙাঙবদা হৌনা হৌনা, নোক্না নোক্না ঙাঙঙি। করিগুম্বদা মতোমতসু ফাক ফাক নোকচৈ। পেন্দবা লৈবদগী ওইগদৌরিব্রা নৎত্রগা মরমদম মরৈবাক নুংশিবদগী ওইগদৌরিব্রা অশেংবদি খঙদে, মহাক হৌজিক ভোট লেপকনি হায়রে। ভোট লেপ্পখক্তা নত্তে 'ঐ মন্ত্রি ওইনি' ফাওবদা হায়রকখি। মাঙোন্দা ভোট করিগী লেপতৌরিনো হায়না মিডিয়াগী মীশিংনা হংবদা মহাক্না খুম্বসি, মৈ অমদি ঈশিং মরাঙ কায়না ফংদবা অসিগীনি হায় । মহাক্না ভোট কারগদি ঈশিং ৱাৎতবা কেন্দ্র অমা ওইহনগনি হায়রি। মণিপুরগী য়ূমথোং খূদিংমক্তা ঈশিং ফংহনগনি হায়বসি মহাক্কী অপাম্বা ভোট লেপ্লিংখিবগী মরম্নি। লমদমসিদা শোৎথরিবসিদি মৈ ঈশিংগী ফিভম খক্ত নত্তে ওম্থোক্না য়ামখ্রে। চাউখৎ থৌরাংগী শেন্থংসি সেন্টরনা থাদরক্তবা নত্তে। মতম মতমগী লৈঙাকপা অমদি মখোয়গী মরুমদা লৈবা ময়ামগা মান্নরগা লোইশিনবনি হায়বসি সাইখোম যাদুনা শিৎ নানখে খঙজৈ।

চহী খরগী মমাংদা মৈগী ফিভমসি লমদমসিদা য়াম্না ফৎলমদে। লোদ সেদ্দিং মণিপুরদা খুরক হাংদনা মতম শাংনা লৈরকখি। য়ূম অমদা কেন্দল হায়বসি য়াওদ্রগদি য়াদবা অমা ওইনরকখিবনি। মোরেদা চৎলগা কেন্দল ললোনবদগী শেন হৌখিবা মী ফাওবা য়াওনখ্রে। মসিমসু সাইখোম যাদুনা খঙঙি। মৈ চাং নাইদবনা মোরেদগী পৱার জেনেরেটর য়ূমথোং খূদিংগী লৈদুনা থম্নবা ইমুং য়াম্না লৈনখি । পৱার জেনেরেটর য়াম্না লৈনরকপদগী য়াদবা শেম্নবা, খুৎশা হৈশিংবশিংগী দুকান অমুক মফম খূদিংদা হাংগৎনরকখি। প্রি পেদ লাকপদগী মৈগী ফিভম হৌজিক্তি হান্নগা য়েংনরুবদা ফরে । লৈনরুবা পৱার জেনেরেটর অমুক শীজিন্নদ্রে। পৱার জেনেরেটর শীজিন্নবা ৱাৎলবনিনা য়াদবা শেম্নবা হাংলুবা দুকানশিং অমুক লেপ্পরি । জেনেরেটর শেমলম্বা মী অমুক য়েন শেল্লগা য়োনবরোমদা চৎথরকপা য়াওনরি। হিংনবা হোৎনবদা ঙম্নবা তৌনবনি। মসি পূন্নমকসি সাইখোম যাদুনা লোইনা উই, খঙঙি। মৈ মমদ্রবনিনা হৌজিক মৈগী মতাংসি মহাক পন্দ্রে, ঈশিং ফংদবগী ৱাফমসিদি মহাক্না কন্না পল্লি। নোং খজিক্তং তাবদা ঈশিং থুমগনবা ইম্ফালগী মফম য়াম্না লৈরি। নোং তাবদা ঈশিং চাউগনবা লমদমসি উরগা সাইখোম যাদু অমুক অমুক হৌনা হৌনা লাওই-নোং ও চুথরো লাংজিং মতোন থুমহৎলো..।

মহাক্না শাওবসি অমগা লৈরি । দুকান চাউনা ফম্বশিংনা মপা মপাগী লম্বীদা পোৎ থমজিনবসি অমনি। হৌজিক কারবার তৌবসি মখল মখল উনরি। লৈঙোই মখল কয়া, চেক, বিলাটি মাটি লম্বীগী মতাইদা থারগা য়োনবা মফম য়ামখৎলকই। নহালৱাইদি য়ূম শানবা লৈঙোই, বিলাটি মাটিগীদমক্তা লাপ্পা লৈবা চৎনরম্বদু ইনক নক্না ফংনবসিদা মীশিংনা নুংঙাইনা লৈবা ফংনরে। য়ূমগাসি মথোল মথোলনি শানরিবসে । সাইখোম যাদুগী লৈকাইদা লৈঙোই য়োনবা দুকান অচৌবা লৈরে। লম্বী য়ৌনা য়োন্নবা লৈঙোই থাদুনা থম্মী। চেক পৈশিল্লি। লম্বীদা পোৎ য়োনবনা থমজিনবা উবদা শাওখিবা সাইখোম যাদু মাগী লৈকাইদা য়োল্লিবা, লম্বী য়ৌনা পৈশিনবা উরিবসিমদি উনা উনা শাউবা ঙমখিদে মরমদি মহাক ভোট লেপতৌরি। মহাক্কী য়ূমদি থায়নগী অহল লমনশিংনা থমলম্বা মৈতৈ য়ুমজাউনি। পক্কা বিল্ডিং শাবগী ৱাখল লৈতে। ইপা ইপুগীসিনবু হেন্না নুংঙাই হায়রি। চুমসু চুম্মী, মৈতৈ য়ূমজাও হৌজিক উদ্রে। করম তৌরগা শাবনো খঙদে হৌজিক্কালসি মথোল তরুক্কী পক্কা ব্যুল্ডিং ঙাক্তা শান্নরে। গাড়ি ফাওবা মমল য়াম্বা ঙাক্তা তোংনৈ। শেন তানবা হৈবা মীসি লৈদি লৈবজাৎনি। হুম্মাংনা তানবদি ওইরমদৌ মান্দে । সাইখোম যাদুদি মদুদা কল্লকতে। মাগী সাইকল অমনবদু থৌরগা অদুম চৎলি। মহাক্না হেক খঙলকপদগী মহাক্কী লৈকাইগী লৈরকসি কোইলাস থারকত্রি। অতৈগী নত্তে। হৌজিক কারিবা এম এল এ অদুগী ভোট মখোয়গী লৈকাইনা পীদে হায়বগীনি। হন্দক সাইখোম যাদুনা লেপকদৌরিবা অসিগী ভোটকী মেনিফেস্টো ফোংবদা মখোয় লৈকাইগী কুম পুরবা কৈলাস থারক্ত্রবা লৈরক খরদি মহাক্না থারগনি অদুগা ঈশিং চাউগনবা ইরম নলা য়াদবসিমগা শেমগনি হায়বসি মরুওইনা হায়বা য়াওরি।

সাইখোম যাদুনা পামজবা ফিরোলসি খোগ্রাউ জিন শেৎপনি। ফুরিৎসু ফুরিৎখাও য়াম্না পানবা লীৎকল্লি । হন্দক্তি ভোট লেপকদৌরে হায়বগী ফুরিৎ খোঙ্গ্রাউ হোংদোক্লে । লমদমসিগী রাজনিতি তৌবশিংনা লিৎকনবা ফুরিৎসি পুময়াৎ খুকউ য়ৌনা অচোনবা অদুগী মথক্তা ৱেষ্ট কোটনা লীৎশিনবনি। পুময়াৎ অচোনবা লিৎত্রগদি রাজনিতি তৌবা মান্দে হায়নৈ। সাইখোম যাদুসু জিন শেৎখিদ্রে পুময়াৎ খুকউ য়ৌনা চোনবা লিৎপা হৌরে। মহাক্না রাজনিতি তৌরবনি হায়দুনা পুময়াৎ অচোনবা লিৎপসি পকতি পকচখিদ্রে ।

হান্নদগী হৌনা ভোট লেপকনি, ঐ মন্ত্রি ওইনি হায়রগতা লাকখিবসি মীনা লোইনা খঙনৈ। মাগী মবুক ফবা, মীকৌ মীরম ফবা অসিদা মীপূম খুদিংনা নুংশিবী। ভোট ময়াদি য়ৌরে সাইখোম যাদু ভোট লেপ্পনি হায়বসি মাগী লৈকাইনা খঙলে। লুরিবদি মাগী লৈকাইগী হান্নদগী কারকপা কেন্দিদেট অমা লৈরি। মাগা করম্না লম্বা পাগদগে হায়বসিনি। মীগীদি হান্নদগী এম এল এ ওইরি, ভোট কারি। পৈশাসু সঙ্গসু চাউই। সাইখোম যাদুগীদি, মরল হায়ববু মবুকচেল শেংবা, মীনুংশি চাউবা অসিনা ওইরি। লন-থুম লৈতে। হৌজিক্কী মতমসিদা শেঞ্জাউ পায়দনা ভোট লেপ্পসিবু ওইথোক্কদ্রা ? মসিগী ৱাহংসি মহাক মশাসু হংজরিবনি। মহাক্না হৌদোক্লে খনবা অমা লৈরি। মীয়ামগী থৌগল তৌনবা চোংথোকপদা শেল থাদরগা ভোট লেপ্পা, পৈশা পীরগা ভোট লৈবসিমদি তৌবা পামদ্রি। মহাক্কী ৱাখলসিগা হায়ফেৎ মান্নবা কেন্দিদেট ফনা য়াম্না মণিপুরদা চোংথোক্লুরক্লি। ভোট করিনো করম্না কাগনি খনবা হৈথোই শিংথোইরবা হান্নগী অরীবশিংনদি নোক্লিংলমগনি। ৱারীসে সাইখোম যাদুদা হায়রুরবা মানা হেন্না নোকলক্কনি মরমদি মহাক মন্ত্রি ওইনি হায়রি । খ্বাইদগী লুরিবদি সাইখোম যাদুনা লেপকদৌরিবসি করম্বা পার্টিদনো খঙদ্রি । মহাক্কী ফিরাল মচু খঙদ্রি। মহাক্না লোয়নরিবা মীশিং অসি ভোটতা থৱায় য়াওদবা, অচুম্বা পাম্বা মী ঙাক্তনি। মখোয়দগী মতেংসি করম্না ফংগদগে খনবদা ৱাদবদি ঙমদে।

রুপমহলনা শান্নখিবা 'ঐ মন্ত্রি ওইনি' হায়বা ড্রামা অদুদা সাইখোম যাদু ভোট কাখিদে। অচুম্বা অশেঙবা তৌজবা পাম্বা মহাক ভোট হায়দোকপা নুমিত্তা ঈশিং চাইরগা লাক্লখি। রুপমহলগী কর্টেন ফি তপ্না হাইজিনখি।

—*মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১১৮

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

*(হান্নগী মখা...)* ভৈজনাথনা হৈশিংবগা লোয়ননা মকোক অদু নোম্মী, মতৌ অদু উকিলনা চেনখিবদা মহাক্না থৎতুনা লৈবগী মওংনি। মহাক্না তপ্না হায়, "ঐখোয় অনীগী মরক্তা নুংঙাইনদবদি করিসু লৈতে, অদুগা ঐনা ৱাহং খরা হংবদা নঙনা করিগী কোর্টতা কমপ্লেন তৌরিবনো উকিল সাহব?"

কোর্টকী জজ অদুসু মরুওইবা দোক্যুমেন্ট অমা পাদুনা লৈরম্মী, মরম অদুনা উকিল অদুসু মহাক্কী হৈশিংবা টেলেন্ট অদুনা থৌওং অদুদগী লাপথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তারকই। মহাক্না ময়া তক্লদুনা হায়, "ৱাফম মচা-মচাগীসু হেক্তা পুলিসকী মায়কৈদগী লান্না ইভিদেন্স পী ইবুঙো অদুগা ওন্ন-তৈননা ঐঙোন্দগা মরৈ য়েৎলদনা।"

বৈজনাথনা মায়কৈ মরিদা পোংথোকপগা লোয়ননা য়েংলদুনা উকিলদা মহাক্না ঙাকপীবগী মওংদা অমুক য়েংই। মীয়াম তানবা মহাক্না হায়, "ইশা-ইশাগী বিজিনেস হায়বদুনি।"

কোর্টকী জজ অদুনসু মহাক্কী মরুওইবা দোক্যুমেন্ট অদুদা খুৎয়েক পীবা লোইখ্রে। হৌজিক য়াম্না অচম্বা মীওই অমগী মতৌগুম হায়রকই, "নখোয় মশেল ৱারী শান্নবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। ফরে, উকিল সাহব থবক মখা তাসি।"

উকিলনা হায়রকই, "শ্রীমান, ইভিদেন্স ওইরিবা মীশক অসিগা ৱারী শান্নবা অরুবা অমা ওইরে। ৱাহং খুদিংগী পাউখুম পীবদা পল্লগা লৈরে। ৱাফম অসি নোট তৌশিনবিয়ু।"

কোর্টনা বৈজনাথকী মায়কৈদা য়াম্না কুপ্না য়েংলকই। বৈজনাথসু পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী মায়কৈরোমদা য়েংদুনা লৈরম্মী। পব্লিক প্রোসিক্যুটর অদুসু কোর্টকী মায়কৈরোমদা য়েংলকই।

কোর্টনা উকিল অদুদা হায়, "মখা তাথবিরো।"

উকিল অদুনা উরোক্কী মওংদা হান্না থল্লম্বা খোংফম অদু হোংদোক্লদুনা অদুগুল্লবা পুৱারী ওইহৌরগদবা কোর্টকী খন্ন-নৈনবা অদু লোইশিল্লদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমদা অমুক পুশিল্লকই।

"নহাক্না লৈঙাক্কী মায়োক্তা আর্টিকল ৩৭৯গী কেস অমদা ইভিদেন্স ওইখিব্রা?"

"ঐ নীংশিংবা থোক্ত্রে।"

"মদুগী ইভিদেন্স অদু নহাক্না হন্দক্কী থা অসিদা পীখিবনি।"

বৈজনাথ ঙাইহাক ৱাখল খন্দুনা লৈরম্মী। অদুগা হায়রকই, "থা অসিদদি ঐনা ইভিদেন্স অমত্তা পীখিদে। ঐগী লৈকোলগী মনাক্তা শুম কোইরিঙৈদা নুপা অমা খাউ অমা পায়রদুনা চেল্লম্মী।"

"নঙনা ৱাফম অদু হায়বগী মথৌ তাদে হায়বদি নহাক্না ইভিদেন্স পীবদা করি হায়খিবনো হায়বদু। শুপ্নগী মমাং থাদা কেস অমগী মতাংদা ইভিদেন্স পীখিব্রা অদুখক্তা হায়য়ু।"

"ইভিদেন্সতি পীখি, অদুবু করম্বা কেসকীনো হায়বদুদি ঐ নীংশিংদ্রে।"

পুং কয়াগী মতুংদা কোর্টকী জজ অদু অমুক শাউগৎলকই। অদুগা হায়রকই, "মদু মতৌ করম্না ওইথোক্কদৌরিবনো?"

"ঐখোয়দি খুঙ্গংদা লৈবা লাইরিক লাইশুসু হৈতবা মীওইনি।"

উকিল অদুনা হায়রকই, "শ্রীমান, মহাক্কী লৌনম নমথাক অসিগী মতাংদসু নোট তৌশিনবিয়ু।"

বৈজনাথনা হায়রকই, "শ্রীমান, করি-করিবু নোট তৌগদৌরিবনো, অদোম ওইনা নোট তৌশিনবিয়ু। অদোমগী মুন্সিদা হায়বিয়ু মহাক্না অদুমক নোট তৌশিনজনি।"

কোর্টনা হন্দক্তি বৈজনাথতা চৈরক্লম্মী। য়াম্না চৈখি। য়াম্না থীনা চৈমনখিবনা বৈজনাথ ঙাইহাক তুমিন্না লৈরম্মী। মহাক্কী মায়থোং ঙাংশিনখিরম্মী। অসোমদসু কোর্টসু চৈনা-চৈনা মহাক্কীসু মমায় ঙাংশিনখিরম্মী। অদুবু কোর্টনা মখা তানা অসুমক চৈথরকপদুদা বৈজনাথ অদু গ্যান অমুক লাকখি। মহাক্না মহাকপু তাকপী-তন্বিরকপা পন্দিট রাধেলালবু নীংশিংলকই।

মহাক্কী ওজানা হায়খি, ইভিদেন্স পীরিঙৈ মতমদা করি-করিগুম্বা উকিল অমদি মফম অদুদা থবক তৌরিবা মীওইশিং শাউরক্লবসু মদুদা করিমত্তা পাখৎকনু। উপায় লৈজদ্রবা মখোয়শিং অদু নুমীৎ চুপ্পা অমা কোক্কী ওইবা থবক তৌবনি। মখোয় অয়াম্বনা চাবা তুমদবা অমদি তোঙান-তোঙানবা লায়না কয়ানা নারবনি। মরম অদুনা মখোয় মচিৎ-মচিৎ য়াম্না শাউগনবনি। মখোয়গী চৈ-খোংবা অদুদা পাখৎপা য়াদে। মদুগী মহুৎতা নঙোন্দা ঙাঙবা-শকপা নত্তে, মশাগী অনাবশিংদা ঙাঙজরিবনি। মসিদা নত্তনা মখোয় লাইরিক-লাইশু হৈরবা য়াম্না চাওবা মীশিংনি হায়বসিসু নীংশিংগদবনি। মখোয়না নঙগী থৌদোক অদুগী মতাংদা খঙবা ওইথোক্লোই। মরম অদুনা মখোয়না শাউরকপা মতমদা নহাক ৱাখল চোয়দনা গ্যান তানা লৈগদবনি অমসুং মতৌ করম্না ওইরিবা ফীভম অদুদগী নাম্থোক্তুনা মখোয়বু চিৎ তৌসিগে হায়বগী মতাংদা খনবা মথৌ তাই।

কোর্টনা অরোইবা ওইনা মঙোন্দা চৈরদুনা নহাক শুপ্নগী ৱাহংগী পাউখুমদা 'হোয় নৎত্রগা খঙদে' হায়গদবনি। ঙাঙন-শক্লবগী ফীভম অদু তপ্না-তপ্না তুরোই-ঙাল্লোই অমুক চৎথরকই।

"ঙসিদগী থা তরুক্কী মমাংদা নহাক্না লৈঙাক অমদি বিসেসরগী কেসতা ইভিদেন্স ওইখিব্রা?"

"ওইখিদে।" (পাউখুম অসি অচুম্বনি মরমদি বৈজনাথনা ইভিদেন্স পীখিবদু থা তরেৎকী মমাংদা পীখিবনি।)

"চহী অমমুক্কী মমাংদা নহাক্না লৈঙাক অমদি ছুন্নুগী কেসতা ইভিদেন্স ওইখিব্রা?"

"ওইখিদে।" (পাউখুম অসিসু অচুম্বনি- ছুন্নুগী কেস অদু থা ১৪গী মমাংদা থোকখিবনি।)

"...."

"ওইখিদে।"

"...."

"ওইখিদে।"

"...."

"ওইখিদে"

"...."

"হোয়।"

"...."

"হোয়।"

"মতৌ অসুম্না নহাক ঙসি ফাওবদা কেস কয়াদা লৈঙাক্কী ইভিদেন্স ওইখ্রে।"

"অদোম্না অসিগুম্বা কেস শুপ্নগী অনী খক্তা মশিং থীবিরে।"

"য়াল্লবা কেসতা নহাক্না পুলিসপু তোয়না-তোয়না ইভিদেন্সকীদমক শীজিন্নহনখি। মসিগী করি করম্বা মরমদগীনো?"

বৈজনাথনা কোর্টকী মায়কৈলোমদা য়েংলদুনা সহিদ ওইখ্রবশিংগী খোঞ্জেলদা হায়, "মরমদি ঐহাক নহা ওইরিবা মীশক অমনি।" মহাক্কী মথবাক ফন্দোরকই, "গুন্দা লমহেনবশিংগী ময়োক্তা ঐখোয়রোমদা কনা অমত্তনা লৈবা ঙমদে। ঐ করিসু নাচুংদবা অমদি চিংনদবা মীশকনি। গুন্দাশিংগী মায়োক্তা চপচানা লেপ্পা মীশক্লি। মরম অদুনা ঐনা হেক উরুবা থৌদোক্কী মতাংদা ময়েক শেংনা ঙাঙবদা ঐ চিংনবা করিসু লৈতে।"

উকিল অদুনা মহাক্না ঙাঙলিবা অদু ঙাঙদনবা হোৎনরকই। কোর্টনসু মখুৎ হায়রদুনা মহাকপু দোগতগী তাম্হোকখিনবা হায়রকই, অদুবু বৈজনাথনা ৱা ঙাঙবা লেপ্লমদে। মহাক্না মখা তানা হায়, "ঐনা ৱাশকখ্রবনি মদুদি ঐখোয়গী লমদা গুন্দাশিং অমত্তা লৈহন্দ্রবা মতমদা তুমিন্না ঈংনা-তপ্না লৈগনি। ঐ ঙাঙখিবা ৱা ঙাকপা মীশক অমনি। মদুদা করিগুম্বা ঐগী থৱায় মাঙখ্রবসু ঐহাক করিমত্তা চিংনবা লৈতে।"

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।